# অসামদা অতোপ্পা ষ্টেটকী এম এল এশিং লাকপদা মহাক্না থিংবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈতে, খুদিংমক্না লাকপা য়াই



গুৱাহাটি, জুন ২৪ (এজেন্সি):
অসামদা মহারাষ্ট্রাগী এম এল এ খরা লাক্তুনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা মহাক কা হেন্না খঞ্জিল্লুবা লৈতে। অসামদা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী এম এল এ লাক্তুনা মখোয়না পাম্বা মওংদা অপাম্বা হোটেল খন্দুনা বুক তৌরগা লৈরবা মতমদা মহাক্না অথিংবা পীবগী রাইট লৈতে। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী এম এল এশিংনসু অসামদা মতম অমদা হেক্তা লাক্তুনা লৈরবা য়াই হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, গুৱাহাটিদা লৈবা হোটেল রেদিসন ব্লুদা মহারাষ্ট্রগী এম এল এ খরা লাক্তুনা লৈ হায়বসিদা মহাক্কী কা হেনবা নোলেজ লৈতে। মখোয়না লাক্তুনা লৈরবগা ঐনা চীফ মিনিষ্টর ওইবগা মরী লৈনদে। অদুবু ষ্টেট অসিদা অতোপ্পা ষ্টেটকী এম এল এ খরা লাক্তুনা লৈরবা অসিগা মরী লৈননা ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি মহাক্না থোইনা খঞ্জিল্লুদে। মখোয়সু লৈঙাক অসিগী শরুক অমনি। ষ্টেট অসিদা অতোপ্পা ষ্টেটকী এম এল এ লাকপা য়াদে হায়বগী প্রোভিজন লৈরবদি মখোয়বু ষ্টেট অসিদগী তান্থোকখিসি। মসি ওপোজিসনদা লৈরিবা খুদিংমক্না য়াফম থোকই। ঙল্লোইদবা লৈরবদি পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনদুনা অরানবা ৱাফমশিং ঙাঙবগী হৈনবী থাদোকসি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেসু অসামদা লাকপা য়াই। মসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা অয়েৎপা পীরোই। করিগুম্বা ষ্টেট অমগী এম এল এনা অতোপ্পা ষ্টেট অমদা ভিজিট তৌবদা অথিংবা পীরবদি মদু লৈবাক অসিগী ওইনা লৈজরিবা ফেদরেল ষ্ট্রকচর অদুগী মায়োক্তা থবক তৌবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে হায়রি।

অমরোমদা অসামগী সী এমনা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা মহারাষ্ট্রা এম এল এশিংগী মতাংদা খঙদে হায়না খুল্লবসু ৰুলিংদা লৈরিবা অসাম বি জে পিগী এম এল এশিংনা হোটেল রেদিসন ব্লুদা চত্তুনা মহারাষ্ট্রা রেবেল এম এল এশিংগা তোইনা উন্নরি।

## অসামগী তপন কুমার দেকাবু আই বি চীফ ওইনা খনখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ২৪ (এজেন্সি) :
লৈবাক অসিগী ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (আই বি) গী চীফ ওইরম্বা আরবিন্দ কুমারগী থবক মতম লোইখ্রবা মতুং অসামগী সিনিয়র আই পি এস ওফিসার তপন কুমার দেকাবু ঙসি আই বিগী অনৌবা চীফ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে।

দেকা কুমজা ১৯৮৮ গী আই পি এস ওফিসর বেটচনি। মহাক আই বিগী দিরেক্টর ওইনা চহী অনীসু থৌ পুরল্লে। ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী চীফ ওইনা থবক তৌবা অসি অৰাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইনদি মহাক্না ইহান হানবা ওইরি। মশাগী চহী ৫৮ রোম শুরবা দেকা হৌজিক হৌজিক আই বিগী স্পেসল দিরেক্টর ওইনা থৌ পুবগা লোয়ননা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী কাউন্টর টেরর ওপরেসনশিংগী ইন চার্জ ওইনসু লৈরিবনি। মহাক হৌখিবা কুমজা ১৯৯৮ দা আই বিদা জোইন তৌখিবনি। মদুগী মতুং মহাক ঙসিফাওবা পুলিসকী য়ুনিফোর্মদা মীওই অমত্তনা উবা ফংদনা লাক্লি।

## অগ্নিপঠ স্কিম তুং কোইনা চৎনবা য়ারোইদবা অমনি, খুদক্কী ওইবা কান্নরোইদবা খোঙথাংনি

শিল্লোং, জুন ২৪ (এজেন্সি) :
সেন্টরনা অনৌবা অগ্নিপঠ স্কিম অসিনা নহা কয়াবু থবক ফংহল্লগনি হায়রিবা অসি ঙাইহাক্কী ওইনা মীয়াম মমিৎতা উৎ চাইবনি। থবক ফংদনা লৈরিবা নহাশিংবু খুদক্কী ওইনা থবক পীদুনা অফবা শানবা হোৎনবনি। অগ্নিপঠ স্কিম তুং কোইনা চৎনবা য়ারোই। খুদক্কী ওইবা কান্নদবা খোঙথাংনি হায়না মেঘালয়া য়ুথ কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।




হিরম অসিগা মরী লৈননা মেঘালয়া য়ুথ কোংগ্রেসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অগ্নিপঠ স্কিম অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা নহা ময়ামগী থবক ফংদবগী প্রোব্লেম অসি কোকহন্নবা অতেনবা মতমগী স্কিমনি। স্কিম অসিগী খুদোংচাবা খুদক্কী ওইনা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা ফংখিবা য়াই। অদুবু চহী খরগী মতুংদা থবক ফংদবা মীগী মশিং হান্নদগী হেনগলক্তুনা য়াম্না খুদোংচাদবা ফিভম অমদা লাক্কনি। অগ্নিভিরশিং ষ্টেট লৈঙাক্না মখোয় মখোয়গী পুলিসনা ফোর্সশিংদা লৈহনগনি হায়না ফোঙদোক্লরিবা অসিসু থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙল্লোইদবা অমনি। মসিদা মীয়াম্না কা হেন্না হরাওনিঙাই ওইদে।

সেন্টরদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিগী পান্দমদি মতম পুম্বদা মখোয়না পৱার পায়দুনা লৈবা অমদি শেল অমসুং মসল পৱার শিজিন্নদুনা মীয়াম্বু নমহৎলগা থম্বনি। অসিগুম্বা বি জে পিগী থৌশিল অসি ঐখোয়না কৈদৌনুংদা য়াবা ঙল্লোই। মসিগী মায়োক্তা মতম পুম্বদা মেঘালয়া য়ুথ কোংগ্রেসনা লৈগনি।

মেঘালয়া য়ুথ কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট বনফিরা লাং বসাইমোতনা ফোঙদোকখিবদা, অগ্নিপথ স্কিমগী মখাদা খল্লবা নহাশিং অদুবু অগ্নিভির হায়না কৌগনি। চহী মরিগী মতুংদা মখোয়বু নম্ফুদা থবক্তগী পোথাহনগনি। মদুগী মতুংদা মশিং য়াম্লবা অগ্নিভিরশিং করি তৌগদগে হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অগ্নিভির খুদিংমক ষ্টেট পুলিসতা লৌশিনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসিসু মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহং অমনি। মরম অদুনা স্কিম অসি নহাশিংগী কান্ননবা স্কিম নত্তে। তুংগী লম্বী ককথৎনবা বি জে পিগী স্কিমনি হায়রি।

## অথুবা মতমদা গুৱাহাটি থাদোক্তুনা চৎখিনবা অসাম কোংগ্রেসনা খঙহনখ্রে



গুৱাহাটি, জুন ২৪ (এজেন্সি):
অসামদা লাকপা মীপুম খুদিংমক লমদম অসিগী মীওইশিংনা য়াম্না হরাও তয়াম্না অমদি ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা তরাম্না ওক্তুনা লাক্লি। অদুবু মহারাষ্ট্রগী রেবেল এম এল এশিংনা মফম অসিদা লাক্তুনা লৈশিল্লরিবা অসিদা ঐখোয়না তরাম্না ওকপা ঙল্লোই। মরম অদুনা অথুবা মতমদা সিব সেনাগী রেবেল এম এল এশিং ষ্টেট অসি থাদোক্তুনা চৎখিনবা অসাম কোংগ্রেসকী লুচিংবা ভুপেন বোরানা রেবেল এম এল এশিংগী লুচিংবা ওইরিবা একনাথ সিন্দেদা হায়খ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ভুপেন বোরানা ফোঙদোকখিবদা, মহারাষ্ট্রা ষ্টেট মনুংগী ওইবা নুংঙাইনদবা অমদি য়ানদবশিং অদু ষ্টেট অদুদা অদুম্মক লোইশিনগদবনি। অদুবু মহারাষ্ট্রগী এম এল এশিংনা মশাগী ষ্টেটতা খোঙজং চঙশিনবগী মহুত্তা অসামদা ওইনা লাক্লগা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি মরম চাবা ৱাৎলি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্নসু হিরম অসিগা মরী লৈননা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরিবা রেবেল এম এল এশিং অথুবা মতমদা ষ্টেট অসি থাদোক্তুনা চৎহনখিবা পাম্মী।

অসামদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা তাবদগী ঈচাও অমদি লেন্দ স্লাইদকী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মীওই কয়ানা অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ মরক অসিদা সিব সেনাগী এম এল এ খরা লাকশিন্দুনা লৈরিবা অসিনা মরম ওইরগা ৰুলিং পার্টি ওইরিবা বি জে পিগী এম এল এশিংনা মীয়ামদা মতেং পাংবগী থবক চথুবগী মহুত্তা হিরম অসিদা ওইনা মায় ওনশিন্দুনা লৈরে। মতম চানা অৱাবা তারবা মীওইশিংবু মতেং পাংবা ঙমহন্দ্রে। ষ্টেট অসিগী ৰুলিং পার্টি বি জে পি অমদি নখোয়না মরম ওইরগা অসাম অমদি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্বু মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরে হায়রি।

## নাগালেন্দদা লেন্দ স্লাইদনা য়ুম অমদি থোং য়াওনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখ্রে

দিমাপুর, জুন ২৪ (এজেন্সি):
নাগালেন্দদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা লেন্দ স্লাইদশিংনা মরম ওইরগা লম্বী, থোং অমদি য়ুম কয়া য়াওনা চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়না নাগালেন্দ ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এন এস দি এম এ)না ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

এন এস দি এম এনা হিরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈবা অপীকপা থোংশিং লেন্দস্লাইদনা মরম ওইরগা অমাঙ অতা থোকহনখিবনা খুঙ্গং কয়া পাউফাওনবা ঙমখিদ্রে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লম্বী থোং ফাওনবগী খুদোংচাবা মাঙখ্রবা মফমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা লেন্দ স্লাইদনা মরম ওইরগা অৱাবা তাহল্লবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা খুদক্কী ওইনা পাঙবা য়াবা মতেং পাংনবসু খঙহনখ্রে। মরুওইনা ফেক অমসুং নোকলাক দিষ্ট্রিক্টতা লেন্দ স্লাইদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরি।

ফেক দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা খোমি অমসুং ফোলামি ফাওনবা লম্বী, চিজামি অমসুং মেসুলুমী ফাওনবা লম্বী অমদি মেলুরি, লোজাফুহো অমসুং লানয়ি খুঙ্গংদা ঙসি অচৌবা লেন্দ স্লাইদশিং থোকখি হায়রি।

## মিজোরামদা লুপা ক্রোর অমরোম হেনবগী টেব্লেটশিং ফারে

আইজোল, জুন ২৪ (এজেন্সি):
মিজোরামদা অসাম রাইফলসনা চথুখিবা থি হুম্বগী থবক্তা লুপা ক্রোর অমরোম হেনবগী মেথামফেটামাইন টেব্লেটশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

সর্চিপ বটালিয়ন অসাম রাইফলসকী টিম অমনা চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীকুপ নাহুম শিংনা ময়ায় কাবা দ্রগ লল্লোনবা অমদি চাবা মীওইশিং ফাগদবগী হোৎনদুনা লাক্লি। ম্যান্মারগী ঙমখৈগা তাইননা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হৌখিবা চহী খরদা ময়ায় কাবা চিঞ্জাক লল্লোন ঈতিক তৌবগী থবক হান্নদগী হেন্না কনখৎলক্লি। ষ্টেট পুলিস অমদি অসাম রাইফলস য়াওনা ষ্টেট অসিদা ময়ায় কাবা চিঞ্জাক লল্লোনবা থিংনবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। ঙমখৈগী শরুক ওইবা অমদি মনাক নকপদা উমং লৈবগী খুদোংচাবা লৌরগা দ্রগ পেদলরশিং নাম্থোক্তুনা চেনবদা অচৌবা মতেং ওইহল্লি হায়রি।



দি এল এস এ থৌবাল অমদি লিগেল লিটরেসি ক্লবনা শিন্দুনা এ সী এম ঈ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, য়াইরিপোক্তা পাঙথোকখিবা এসে কম্পিটিসন

## CROSSWORD-3567



### ACROSS

1 Snared (7)
5 Accommodation for prisoners(5)
8 Spacious (5)
9 Modest bet (7)
10 Novel by Sir Walter Scott (7)
11 Edible fish (5)
12 Portray (6)
14 One of the planets (6)
18 Wash vigorously (5)
20 As a group (2,5)
22 Jiffy (7)
23 Respond (5)
24 Red, in heraldry (5)
25 Cajole (7)

### DOWN

1 Lingered (7)
2 Hawaiian greeting (5)
3 Clairvoyant (7)
4 Disagree (6)
5 Container for condiments (5)
6 Disappointed (3,4)
7 Swagger (5)
13 Sunshade (7)
15 Regret (7)
16 Emblem of royalty (7)
17 Confer, impart (6)
18 Item of playground equipment(5)
19 Alloy of copper and zinc (5)
21 Grassy area (5)

**Solution 3566**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | H | A | N | T | Y | | A | D | R | O | I | T |
| H | | C | | O | | | | I | | V | | U |
| O | T | H | E | R | | C | A | L | L | O | U | S |
| D | | T | | C | | O | | E | | I | | S |
| D | A | U | P | H | I | N | | M | O | D | E | L |
| Y | | N | | | | F | | M | | | | E |
| | | G | R | A | V | E | Y | A | R | D | | |
| A | | | | B | | S | | | | R | | S |
| C | A | D | D | Y | | S | E | R | V | A | N | T |
| T | | R | | S | | E | | O | | G | | E |
| U | N | A | R | M | E | D | | V | I | O | L | A |
| A | | F | | A | | | | E | | O | | D |
| L | I | T | T | L | E | | B | R | A | N | D | Y |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3966

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 3 | 5 | | 2 | | | |
| | | | | | 9 | | | |
| | | | | | | 4 | 8 | 1 |
| | 4 | | 9 | 5 | | 2 | | |
| | 3 | | 6 | | 8 | | 9 | |
| | | 8 | | 7 | 1 | | 4 | |
| 2 | 8 | 9 | | | | | | |
| | | | 7 | | | | | |
| | | | 8 | | 6 | 3 | | |

### Solution-3965

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 4 | 8 | 1 | 6 | 2 | 3 | 7 |
| 2 | 8 | 3 | 4 | 7 | 9 | 1 | 6 | 5 |
| 1 | 7 | 6 | 2 | 5 | 3 | 8 | 4 | 9 |
| 7 | 6 | 1 | 3 | 9 | 8 | 5 | 2 | 4 |
| 3 | 4 | 9 | 5 | 2 | 7 | 6 | 1 | 8 |
| 8 | 2 | 5 | 1 | 6 | 4 | 7 | 9 | 3 |
| 6 | 3 | 2 | 9 | 8 | 5 | 4 | 7 | 1 |
| 4 | 1 | 8 | 7 | 3 | 2 | 9 | 5 | 6 |
| 9 | 5 | 7 | 6 | 4 | 1 | 3 | 8 | 2 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers**

## EMPLOYMENT NEWS

### TEZPUR UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR SRIMANTA SANKARADEVA CHAIR PROFESSOR

Tezpur University Srimanta Sankaradeva Chair Professor Recruitment 2022: Advertisement for the post of Srimanta Sankaradeva Chair Professor in Tezpur University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 18 July 2022. Candidates can check the latest Tezpur University Recruitment 2022 Srimanta Sankaradeva Chair Professor Vacancy 2022 details and apply online at the www.tezu.ernet.in/ recruitment 2022 page.
Tezpur University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.tezu.ernet.in/. Tezpur University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at India. More details of www.tezu.ernet.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Tezpur University
invites applications for recruitment of Srimanta Sankaradeva Chair Professor
Srimanta Sankaradeva Chair Professor
Job Location:
Napaam, Sonitpur, 784028 Assam
Last Date: 18 July 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: Various Posts
Tezpur University
Tezpur University Recruitment 2022 Details
Company Tezpur University
Organization Tezpur University Recruitment 2022
Post Name Srimanta Sankaradeva Chair Professor
Total Vacancy Various Posts
Salary Not Disclosed
Job Location Sonitpur (Tezpur)
Last Date to Apply 18 Jul, 2022
Official Website tezu.ernet.in
Educational Qualification: School of Humanities and Social Sciences
Skills / Eligibility
Candidates who wish to apply for Tezpur University Recruitment 2022 should first check the qualifications. The educational qualification for Tezpur University Srimanta Sankaradeva Chair Professor Recruitment 2022 is N/A. Visit the official website for more details.
Pay Scale:
INR
Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Candidates will be shortlisted based on the given criteria.
How to Apply:
Step 1: Visit the official website tezu.ernet.in
Step 2: Click on Tezpur University Recruitment 2022 notification
Step 3: Read the instructions carefully and proceed further
Step 4: Apply or download the application form as per the information mentioned on the official notification
Important Dates:
Published on: 24 June 2022
Last date for application is: 18 July 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### NIT MEGHALAYA RECRUITMENT 2022 FOR PROJECT ASSOCIATE I

National Institute of Technology Meghalaya Project Associate I Recruitment 2022: Advertisement for the post of Project Associate I in National Institute of Technology Meghalaya. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 11 July 2022. Candidates can check the latest National Institute of Technology Meghalaya Recruitment 2022 Project Associate I Vacancy 2022 details and apply online at the nitmeghalaya.org/ recruitment 2022 page.
National Institute of Technology Meghalaya Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nitmeghalaya.org/. National Institute of Technology Meghalaya selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at . More details of nitmeghalaya.org/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
NIT Meghalaya
invites applications for recruitment of Project Associate I
Project Associate I
Job Location:
Bijni Complex, Laitumkhrah, Shillong, 793003 Meghalaya
Last Date: 11 July 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
NIT Meghalaya
NIT Meghalaya Recruitment 2022 Details
Company National Institute of Technology Meghalaya
Organization NIT Meghalaya Recruitment 2022
Post Name Project Associate I
Total Vacancy 1 Posts
Salary Rs.25,000 - Rs.31,000 Per Month
Job Location Shillong (Shilong)
Last Date to Apply 11 Jul, 2022
Official Website nitmeghalaya.in
Educational Qualification: B.Tech./M.Tech. in Electronics Engineering with specialization in Electronics / VLSI / MEMS and related areas, with a minimum of 60% marks.
Skills / Eligibility
Candidates who are interested in applying for NIT Meghalaya Recruitment 2022 must check the NIT Meghalaya official notification. Candidates applying for NIT Meghalaya Recruitment 2022 should have completed B.Tech/B.E, M.E/M.Tech.
Pay Scale:
INR Rs.25,000 - Rs.31,000 Per Month
Age Limit: Upper Age limit: 35 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Candidates will be shortlisted based on the given criteria.
How to Apply:
If you are interested in applying for NIT Meghalaya Recruitment 2022, then apply before 11/07/2022. If you want to know the procedure to apply for the NIT Meghalaya Recruitment 2022, then follow the steps given below.
Step 1: First, you will need to visit the NIT Meghalaya official website nitmeghalaya.in
Step 2: Once you enter the website look out for the NIT Meghalaya Recruitment 2022 notification.
Step 3: Read all the details and criteria to proceed further with the application
Step 4: Now the candidate should fill in all the necessary details. Make sure that you do not miss out any section in the application.
Step 5: Apply or send the application form before the last date.
Important Dates:
Published on: 23 June 2022
Last date for application is: 11 July 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : য়াইতম্বা
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

